C.S (M) 09

**Sl. No.** 123

**D–DTN–J–NQA**

# MANIPURI

## Paper—I

## ( Literature )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |
|---|---|

## INSTRUCTIONS

**Candidates should attempt Question Nos. 1 and 5 which are compulsory, and any THREE of the remaining questions, selecting at least ONE question from each Section.**

**The number of marks carried by each question is indicated at the end of the question.**

**Answers must be written in Manipuri.**

## Section—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অহুমখক খল্লগা অমমমদা ৱাহৈ *200* দগী হেন্দনা খুম্মু :

*(a)* মণিপুরী লোন নৈনবা হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবা উবা ফংবা মণিপুরী লোন নৈনবগী খোঙচৎতা করম করম্না অহোংবা মীৎয়েংশিং লৈবগে ? নৈনরকউ। 20

*(b)* মণিপুরগী কোনসোনেন্ট খোন্থোকশিং মখল খায়রগা তেবল অমদা উৎতুনা মখলশিং অদু তাকউ। 20



[ P.T.O.

(c) ৱাহৈ পরেং হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোন্দা নৎতবা (Negative) খণ্ডনবা ৱাহৈ পরেং মখল কয়া লৈবগে হায়বদু খুদম পীদুনা নৈনরম্মু। 5+15=20

(d) মৈতৈ ময়েক হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মরম পীদুনা তাকলম্মু। 20

2. ফ্রেজ অমদা য়াওদবা য়াদবা মচল (Element)শিং অদু করি করিনো? মণিপুরী লোনগী নাউন অমসুং ভার্ব ফ্রেজশিংদা খুদম পীদুনা শন্দোক্লা ইরম্মু। 10+50=60

3. তোন কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোন্দা তোন কয়া লৈবগে? মণিপুরী লোন্দা লৈবা তোনশিংদু খুদমগা লোয়ননা ময়েক শেংনা নৈনরম্মু। 5+15+40=60

4. ক্লস্টর কদায়বু কৌবগে? ক্লস্টরগা সিকুয়েন্সকা করি খেন্নবগে? খেন্নরিবদু খুদম পীদুনা তাকলম্মু। 10+20+30=60

## Section—B

5. মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী **অহুমখক** খল্লগা অমমমদা ৱাহৈ *200* দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু : 20×3=60

(a) 'থৌৱান থাবা হিরান' হায়রিবা লাইরিক অসিদা অঙনবা মতমগী মণিপুরী সমাজগী মশক অদু করম্না উৎপগে? মরিক চুম্না ইরম্মু।

(b) লান মমাংগী মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎ অমদি হীরম অমসুং লোন্দা-পুদাগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু।

(c) 'খম্ব থোইবী শৈরেং'দা মহাকাব্য অমগী মচাক কয়া য়াম্না য়াওবগে? নৈনরম্মু।

(*d*) ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফ স্টদিজগী লমদা লৈরিবা ফোকলোরিষ্টশিংগী নৈন-মীৎয়েংশিং অদুগী অশুপ্পা শক্তমদু মণিপুরী ফোকলোরগী মচনশিংদা পানশিন্দুনা মরিক চুম্না নৈনরম্মু।

6. ১৮ অমসুং ১৯ শুবা চহী চাগী মতমসিদা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী তোপ তোপ্পা অনৌবা মশক কয়ামরুম থোরকখি হায়বসি কদায় ফাওবা চুম্বগে? খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা ইয়ু। 60

7. করিগীদমক লাই হরাওরিবনো? মণিপুরদা লাই হরাওবনা মৈতৈ কাঙলুপকী মশক করম্না তাকপগে? মরিক চুম্না তাকলম্মু।

10+50=60

8. মূক্লা করম্না হৌরকখি? মশান্না অসিনা চাউখৎলকপগী মরমদা শন্দোক্লা ইরম্মু। 20+40=60

★ ★ ★